থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# রুপমহল-দ্রামা-ফেষ্টিবেল’না খলহল্লকপা ৱাখল

‘রুপমহল থিয়েটর’ - কুনশুবা চহীচাগী অহানবা তাঙ্কক, অনৌবা মণিপুরী থিয়েটরগী যূম্ফম থোনবা হৌরকপা মতমদগী, মণিপুর দ্রামাটিক যুনিয়ন অমদি অর্য়ান থিয়েটরগা লোয়ননা য়োৎশুবী মখোঙ অহুমগুম লেপ্পুনা মণিপুরী থিয়েটরগী অনৌবা মশক অমা শাগৎলকখিবা মরু ওইবা থিয়েটর ওর্গনাইজেসন অমনি। রুপমহল থিয়েটরগী পুৱারী ফাক্তোক্তুনা নৌনা অমুক ইজরোই। পুম্নমক্কী মীৎমাঙসিদা, সহরসিগী ময়োনসিদা খিন্দুনা লৈরি- চীং লেম্না ঙাম্হোইরি। য়েংবীনবা লৈত্রে হায়নবা পর্ফোর্মিং আর্ট মখল, ‘দ্রামা’ অসি য়োকখৎনবা ঙসিসু লেপ্পুনা হোৎনরি। চহীগী শোয়দনা পুথোক্লগদবা, অকক্লবা নুমিৎ খরগীদমক অপান্ননা থমখ্রবা - বীর টিকেন্দ্রজিৎ, নরসিংহ, নুপী লান’নচিংবা খরসিগী মথক্তা, চয়োল অমগী থাংজ খুদিংগী পুথোক্লন্থা দ্রামাদুদি চাং নাইবা ঙমখিদ্রে। মখোয়তা নত্তে এম দি যুগী নোংমাইজিংগী দ্রামাদুসু উখিদ্রে। অর্য়ান থিয়েটরদি বিজিনেস হাওজ ওন্থোকখ্রে, থিয়েটর ওর্গনাইজেসন অমনি হায়বসি কাউবু কাউথোক্লখ্রগনি মতম খরই মতুংদদি।

‘রুপমহল’ - মমিং অসি তাবমক্তদা ঐগী কোক অসিদা হেক্তা পাইশিল্লকপা, খনগনু য়াদবা ৱাখল অমা লৈ। ৱাখল অসি ৱাহৈ ওইনা অমুক্তদি ইথোক্কে খনবা কুইরবনি। অদুবু ঙসিগী মতমসিদদি অতোপ্পগী মরমদা ৱা অমা হায়রুবা/ঙাঙলুবা, ইরন্নাই ওইবা মত ফোঙদোক্লুবা হায়বসি তৌহৈদবা থবক অমনি, খুদোংথীনীংঙাই মশকনি, মরুপ-মপাং কায়ননি, মরুপ্পা য়েক্লবা ওনখিনি কৈদৌনুংদা তৌরুনু হায়নবদুদা ইদবনি। লুনা তিন্নবা মরুপ-মপাংশিংদদি থিংবা ঙমদ্রবা পূক্লিং-ইথিল অসিনা ইনশিন্দুনা ৱারী শাদোক্লুই ... ‘রুপমহল থিয়েটরগী থৌপুবা অমদি মেম্বরশিংনা তৌরিবসে, মমল য়াম্লবা, তাঙলবা মনি-মতূম, দাইমন্দগুম্বা অমা খূৎপায় চেৎনা পায়শিল্লগা, শীজিন্নফম খঙদনা য়েংদুনা লৈবগা পাংখক ওইরে ... ওন্থোক্লা পাম্মুই, মতিক-মগুন লৈরবা, তৌবা ঙম্লবা, মীচং কল্লবা ময়াম অমনা মপু ওইরগা, মপু পান্দবা ইঙ্খোল অমগুম শীজিন্নফম খঙদ’ মাঙলেদো’ ...। মরুপশিংদুনা রুপমহলগী এক্টর/মেম্বর/সিমপেথাইজরশিংদা তম্লন্থা থোক্লবদি ঐবু ওন্থোক্লা নুংশিরম্লরোই। ঐ খঙই। অদুবু, ঐগী চীন্দই থোকখ্রিবা খোন্থোকসিসু সিমপেথাইজর অমগী খোন্থোকনি। কল্লক্তুনা হায়বদি নত্তে। অদুগা, থম্মোয় শেংনা, লাইমক য়েংদুনা হায়য়ু হায়রবদি হায়গনি - ‘ঐ তশেংনা কল্লকই’। ইম্ফাল সহরগী জি রো মাইল, মায়কৈ মরিমকসিদা লোঙথোকখ্রিবা লম্বী পূম্বগী হৌরকফম ওইরিবা ময়োন! রুপমহল থিয়েটর’না কন্দুনা লৈরিবা লমগী পাক চাউবা অমদি লমসিগী মার্কেট ভেল্যু! অদোম করিগুম্বদা খন্থবীখ্রবরা? কুনমাথোইশুবা চহীচাসিদা, ষ্টেটসিগী ময়োনসিদা, স্মার্ট সিটি অমা ওইনা কন্না দিবলপ তৌরক্লিবা সহরসিগী পাক চাউরবা মফম অমা, অসুম্না তরামাপনশুবা সেঞ্চুরিগী থাক্তুনা লৈরমগনি হায়বসিবু কনানা খল্লমগদগে? চহী য়াংখৈগী মমাঙদা উখিবা ওদিটোরিয়ম, গ্রীনরুম অমদি ফম্বাক্তুমক, ঙসিসু উরি হোংদরি। ঐনা নুংনাংজরুবদি অতৈগী নত্তে। ঙরাং অমদি ঙসিগী মরক্তা ফাওবা শকলাকপা ঙমদা ওল্লবা মতম অসিদা অওনবসিনা য়ৌবা ঙমদবা রুপমহলগী মরানয়াই - কয়ামুক ময়াই কনবনো! হায়বা ৱাখলসিননি। সনা-লুপা-মনি-মুক্তা-দাইমন্দ কয়াদগীসু হেল্লবা খোনি কয়া ফুমদুনা লৈরিবা লমলেন’নি রুপমহলগী মরানয়াই।

নথৌ করি লৈদুনা খল্লুরিবা ৱাখলনো? হায়রক্কদবা ৱাখলসি অমুক নৌনা খল্লকখিবনি - জন্যুৱারী ৫, ২০২০দগী ১৩ ফাওবা চথখিবা, ২০শুবা রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিঅল দ্রামা ফেষ্টিবেল য়াওরুঙৈ। নোংমতসু নত্তনা, কোরৌ নুমিৎ মাপননি, তোঙান তোঙানবা থিয়েটর গ্রুপশিংগী দ্রামা মাপন য়েংলুবদুদা ৱাখলসিদা চক চক থিল্লখি নুতি নুমিৎ খুদিংগী থিয়েটর ওফ সিমপ্লিসিটি হায়না মীয়াম্না মিংথোনবীবা লীলা মখল অমা পুথোকপগীদমক থোইদোক্লা মমিং চৎলিবা, রনবীর মঙাংগী ওগ্রী থিয়েটর রিপর্টোরিগী ‘পুন্সিগী মচুশিং’ কৌবা লীলাদুনা খূৎমাদুনা হৌখিবা, অথোয়-অহেন তান্নবগী মওংদা পাঙথোকপা কুমহৈ (ফেষ্টিবেল) সিদা উৎখিবা অতোপ্পা দ্রামা নিপান’দুদি লাংমৈদোং দ্রামাটিক যুনিয়নগী ‘চীংগী ঙাই’, যুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল যুনিয়ন’, খাগেম্পল্লি, হুইদ্রোম লৈকায়গী ‘কনাগীদমক’; সলাই শক্তম লাংবা কাঙলূপ হাওবম মরক্কী ‘নাচোম লৈ’; কংলৈ লিভিং আর্টস (কংলা) উচিৱাগী ‘ঐ মমানি’; সোসাইটি থিয়েটর, ইম্ফালগী ‘থমংখোং লাকপা’; ইষ্টর্ন মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন, চরাংপাৎকী ‘সনাগী চৈশু’, রোয়েল থিয়েত্রিকল ক্লব, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়গী ‘থৱায় লাকপী’ অমসুং ইন্দিজিনস আর্ট এন্দ কলচরেল ফাউন্দেসন, ৱাংখৈ লাইশ্রম লৈরক’কী ‘অয়েকপা লাই’ অসিনচিংবনি।

রুপমহলগী ফেষ্টিবেলসি নত্তবা মণিপুরগী মফম অতৈদা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিবেল/দ্রামা কম্পিটিসনশিংদা পুথোক্লরক্লিবা, থিয়েটর গ্রুপশিংগী লীলাশিং, ফেষ্টিবেলদা উৎপা নত্তবা, গ্রুপশিংগী মরন্নাই পুথোক্লরিবা লীলাশিং... থিয়েটরগী ঈচেল লেপখ্রে হায়বমক্তি য়ারোই। হোয়, কন্না চেল্লম্বা ঈচেল অদু ওইদ্রে হায়বফাও’দি য়াবরা? রুপমহলগী দ্রামা ফেষ্টিবেলদুদা য়েংবা লাকখিবা অয়েংবশিংগী চাং অদু য়েংলুরবা, য়েংবীনবা ভাবক লৈত্রে হায়বদুমদি হায়বা য়াই। মীওই তরাতরেৎ-নিপান দগী হেন্না য়েংখিদবা পর্ফোর্মেন্স’সু য়াওখিদবা নত্তে। কুম্থ্রা-নিফু শুনা তিনখিবা দ্রামা-অহুম-মরি, খূৎ থেকপা য়াগনি। করিগী য়েংদ্রিবা? নৈনবগী চাউরবা হীরম অমনি। নৈননীংঙাই ওইরিবদি ‘কম্মন-ওদিয়েন্স’শিং লাক্তবগী মরমদু নত্তে, লীলা তৌরিবা, ফম্বাক্তা নৎত্রগা মরুমদা চেল্লিবা, চোংলিবা এক্টরশিংনা, অতোপ্পগী পর্ফোর্মেন্স য়েংবা করিগী লাক্ত্রিবনো হায়বসিনি। পিক্লবা কাখল অসিদা কূপ্না নৈনবা ওইথোক্তে। অদুবু, খ্বাইদগী চুম্বা, ঐখোয়না ককপা য়ারোইদবা ৱাফম অমদি - অয়েংশিংবু নুংঙাইনা য়েংহন্নবগী ফীভম অমা শেমগৎত্তবা অমদি লীলা তৌবশিংনা লীলা উৎচনবা উৎফম (পর্ফোর্মেন্স স্পেস) ফংলক্তবা অসিনি। মতম অমদা, সাইকলনা চৎনবগী পান্থৈ ওইনরিঙৈ মতমগী সাইকল সেদকী মহুৎ, ইঞ্জিন পানবা টু-হ্বিল্লর/ফোর হ্বিল্লরদা চৎনরবা মতমসিদা, কনাগী করি ওদিটোরিয়মদা শেমখ্রবগে? ফম্ফম-চাফম নুংঙাইবা, তরু-তরুবা কুমহৈশঙ, মরম চাবা অয়েংমল, অয়েংবনা য়েংনীংবা কুমহৈ মখল নুংঙাইবা...পীবা ঙমগদবা লূপতুসু রুপমহল অমনি। লুরিবদি মখোয়গী ৱাখলদা ফাওদবসিনি।

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# এয়র পোল্ল্যুসননা ঐখোয়গী হকশেলদা মতৌ করম্না শোকহনবগে-২

**অকক্লবা পোল্ল্যুটেন্টশিংনা হকশেলদা পীবা চৈথেংশিং:**

ইন্টর্নেসনল এজেন্সি ফোর রিসার্চ ওন কেন্সরনা চথখিবা রিসার্চকী মতুংইন্না আউটদোর এয়র পোল্ল্যুসন অসি কার্সিনোজেনি, হায়বদি মসিনা কেন্সর থোকহনবা য়াই হায়বনি।



ঐখোয়গী হকশেলদা মখল কয়াগী খুদোংচাদবা থোকহনবা তোঙান তোঙানবা পার্টিকলশিং অমদি কেমিকেলশিং পোল্ল্যুটেদ ওইরবা নুংশিৎতা য়াওই।

পার্টিকল পোল্ল্যুটেন্ট- পার্টিকল পোল্ল্যুটেন্টশিং অসি নুংশিৎতা য়াওবা তোঙান তোঙানবা পার্টিকলশিং পূনশিল্লগা ওইরকপনি।

পার্টিকলশিং অসি য়াম্না কূপ্পনা মরম ওইরগা লংস য়ৌনা চঙবা ঙম্মী। মসিনা লং অমদি হার্টকী লায়নাশিংগী রিস্ক ৱাংখৎহল্লি।

অজমা নাবা মীওইশিংদসু অনাবা হেঞ্জিলহনবা য়াই।

গ্রাউন্দ-লেবেল ওজোন- পোল্ল্যুটেন্টশিংনা নুংশা মঙালদা রিএক্ট তৌদুনা গ্রাউন্দ-লেবেল ওজোন ওইরকই। স্মোগ (মৈখু অমসুং লৈচিল পূল্লগা ওইরকপা এয়র পোল্লুসন) অসি ওজোননা নম্না য়াওই, মসিনা অজমাগী সিম্পটোমশিং লাকহন্নবগী মরুওইবা মরম অমনি।

কার্বোন মোনোওক্সাইদ- কুমজা ২০১৬কী আর্টিকল অমগী মতুংইন্না কাবোর্ন মোনোওক্সাইদকী লেবেল অসি চাদা ২ গী মখাদা লৈরবদি গেস অসিনা মীওইবগী হকশেলদা শোকহনবা ঙমদে। অদুমওইনমক, চাং অসি চাদা ৪০গী মথক লানখৎখ্রগদি মী শিবা য়াবগী থাক্তা খুদোংথীনীংঙাই ওই।

কার্বোন মোনোওক্সাইদ পোইজনিংগী সিম্পটোমশিং ওইনা পাঙ্গল শোন্থবা, কোক ঙাওবা, থবাক নাবা, ওবা, ৱাখল চমন্নবা অমদি কোক চীকপা পনবা য়াই।

করিগুম্বা মীওই অমা কার্বোন মোনোওক্সাইদ পোইজনিং তৌরে হায়না চিংনরবদি মহাকপু অশেংবা নুংশিৎ ফংবা মফম অমদা পুথোকপিবগা লোয়ননা য়াম্না থুনা অনা লায়েংগী মতেং পীগদবনি।

সল্ফর দাইওক্সাইদ- সল্ফর দাইওক্সাইদ অসি কোইলা অমদি থাউগুম্বা ফোসিল ফ্যুলশিং মৈ থাবদগী থোক্লকপা বাইপ্রদক্ট অমনি।

মসিনা মীৎতা ইরিটেসন থোকহনবা ঙম্মী অমদি রেস্পিরেটরি ট্রেক্ট ইনফেক্সনশিং, লোয়ননা কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ ওইহল্লকপা লায়না নাবা য়াবগী চাং হেনগৎহল্লি।

নাইত্রোজেন দাইওক্সাইদ- নাইত্রোজেন দাইওক্সাইদ অসি গাড়ীনা কামথোরকপা মৈখুদা য়াওই। গেস অমদি কেরোসিন হিটর লোয়ননা ষ্টোবনসু গেস মখল অসি য়াম্না য়াম্বা চাংদা পুথোকই।

নাইত্রোজেন দাইওক্সাইদতা এক্সপোজ তৌবনা রেস্পিরেটরি ইনফেক্সনশিং নাহল্লকপা য়াই। নাইত্রোজেন দাইওক্সাইদ নীংশা হোঞ্জিনবদা য়াওখ্রবদি থবাক খেবা নৎত্রগা লোক খুবা য়াই, অদুবু কোক চীকপা, খৌনাউ নুংঙাইতবা, থবাক নাবা অমদি লাইহৌসু থোকহনবা য়াই।

**এয়র পোল্ল্যুসনদা এক্সপোজ তৌবগী চাং করম্না হন্থহনবা**

**ঙমগদগে:**

ঐখোয়না নুংশিৎকী ক্বালিটি নেম্বা মফমদা লৈবগী মতমদা অকক্লবা থমদুনা এয়র পোল্ল্যুটেন্টশিংদা এক্সপোজ তৌবগী চাং হন্থহনবা য়াই। আউটদোর অমসুং ইন্দোর অনীমক্কী এয়র পোল্ল্যুটেন্টশিংগী মরমদা খঙবা য়াম্না মথৌ তাই।

আউটদোর এয়র পোল্ল্যুসন- লৈঙাক্লা, বিজিনেস তৌরিবশিংনা অমদি মীওই খুদিংমক্লা এয়র পোল্ল্যুসন হন্থহনবদা মতেং পাংবা ঙম্মী। গাড়ীদগী থোক্লকপা মৈখুগী চাং অমদি এটমোস্ফ্যরদা পোল্লুটেন্টশিং য়াওবগী চাং হন্থহনবনা নুংশিৎকী ক্বালিটি হেনগৎহনবা য়াই।

ইন্দোর এয়র পোল্ল্যুসন- যূম অমদি বিল্ডিং লূ নালহন্দুনা অমদি মতীক চানা ভেন্টিলেট তৌদুনা ইন্দোর পোল্ল্যুসন হন্থহনবা য়াই। কোকফাই-শুজা, উফুল অমদি পোল্লেন হায়রিবশিং অসিনা রেস্পিরেটরি প্রোব্লেমশিংগী রিস্ক হেনগৎহনবা য়াই।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না হাউসহোল্ড এয়র পোল্ল্যুসনননা মালেমদা চহী খুদিংগী মীওই মিল্লিয়ন ৪ শিহল্লি। শিরিবশিং অসিগী অয়াম্বদি মরুওইনা অচা অথক থোংবা থাকপদা, মৈ তীকপদা অমদি মৈঙালগীদমক পোল্ল্যুটিং ফ্যুলশিং অমদি টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নবা অফ্রিকা অমদি এসিয়াগী কন্ত্রিশিংদগীনি। ইমুংদা মতম অয়াম্বদা লৈগনবা নুপী অমদি অঙাংশিংদনা হেন্না শোকহল্লি।

এয়র পোল্ল্যুসননা অঙংশিংদসু য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ইফেক্ট পী। মালেম পূম্বগী ওইনা মশাগী চহী ৫ দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অপূনবা অঙাংশিংগী চাদা ১৪ দি এয়র পোল্ল্যুসন য়াওনা ফেক্টর কয়ামরুম্না অজমা নাহল্লি হায়রি। চহী খুদিংগী এয়র পোল্ল্যুসনগা মরী লৈনবা রেস্পিরেটরি দিজিজনা মরম ওইরগা মশাগী চহী মঙাগী মখাদা লৈবা অঙাং ৫৪৩০০০ শিহল্লি। এয়র পোল্ল্যুসন অসি অঙাংশিংদা কেন্সর নাহনবগসু মরী লৈনৈ। মীরোনবী নুপীনা এয়র পোল্ল্যুসনদা এক্সপোজ তৌবনা পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাং অদুগী ব্রেন গ্রোথতা অকায়বা পী। এয়র পোল্ল্যুসননা অঙাং অমদি অহল অনীমক্তা কোগ্নিটিব ইম্প্যের্মেন থোকহল্লি হায়নসু ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী রিপোর্টনা হায়রি।

## গান-ঙাইগী পোৎ লান্নখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস):

লংথবাল খৌপুমদা থা অসিগী ১৩দা গান-ঙাইগী পোৎ লান্নখ্রে হায়না নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপ (নিম্পাল)গী সেক্রেটরি জেনরেল এস শান্তি লৈমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থা অসিগী ১৩গী নুংথিল পুং ২ তাবদা নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপ, লংথবাল ব্রাঞ্চনা খৌপুম কবুই খুলদা পোৎ লানখি। গান-ঙাইগী থৌরমদা নিম্পালগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবেয়াইমা, অমকিলগী পি ঐচ শখি, কে ঐচ অনন্দি অমদি নিম্পালগী মেম্বরশিং য়াওনা পোৎ লান্নখি। খুদোলপোৎ কয়া তমদুনা নুংশিবগী মরী শাগৎখি।

থৌরম অদুদা এদভাইজর কে ঐচ অনন্দিনা ফোঙদোকখিবদা, মমাংঙৈদগী হৌনা কবুই ফুরুপকা তৎন-থানবা য়াদবা মরী লৈনরকপনি। নিংথৌ পাল্লিঙৈদগী হৌনা লৈরক্লবনি। খুন্দা-লৈতামিন্নরকপা অমদি মখোয়গা তৎন-থানবা য়াদ্রবা কবুই ফুরুপনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

অমকিলগী প্রসিদেন্ট ইমা শখিনা ফোঙদোকখিবদা, ফুরুপ খূদিংমক নুংশিননা লৈমিন্নগদবনি। লংলা অমনা পুন্না লেংবগুম নুংশি-চান্ননা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবা হায়বসি য়াম্না মরুওই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

জেনরেল সেক্রেটরি শান্তি লৈমনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদা পোকমিন্নরকপা, লৈহাও অসিদা চাউমিন্নরক্তুনা এন্সাং লান্নরগা চামিন্নদুনা লাক্লবা কবুই ফুরুপনি। মমাংঙৈদগী নুংশি-চান্ননা লাকখিবা অদু ঙসি ফাওবা কায়নদনা লৈমিন্নরক্লি। ঐখোয়গা তৎন-থানবা য়াদ্রবা য়েলহৌমীশিংনি। ইরমদম কায়নবা শীংচেপ থারকপশিং থেংনমিন্নসি। খায়বুং-খায়বুং তানবা শীল্লকপা খুদিংমক ঐখোয় পুম্নমক্লা থেংনমিন্নদুনা ইরমদম খুন্নাই কনমিন্নসি। লমদম অসিদা হিংমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক নুংশিনা লৈমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

/Khumanthem Bhagirath @ Ibomcha না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকচরি



Care Foundation হৌদোকপা অমদি ফোর্মর প্রসিদেন্ট ওইবিরম্বা হৌজিক্লা এগজিক্যুটি মেম্বর ওইনা মতম শাংনা ওর্গনাইজেসন অসিগী অচৌবা রেসপোন্সিবিলিটিজ কয়া চাওখৎনবা হায়দনা থৌনা ফনা থবক পুবিরম্বা Khumanthem Bhagirath @ Ibomcha, Bachaspati Mayum Leirak Nahabam না মনুং মতম চাদনা হৌখিবা তাং ১৩/০১/২০২০দা লৈখিদবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী মেম্বরশিং অমদি প্রোজেক্টসিগী ষ্টাফশিংনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা অমদি অত্মা শান্তি লৈনবগীদমক মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি অমদি লৈখিদবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা :Members & Staffs of Care Foundation, New Checkon

HL-P/5970/17

/Ph. D Degree Awarded



**YAIPHABI AKOIJAM,** daughter of **AKOIJAM SURJIT (SORO), HEIRANGKHONGJAM BINODKUMARI** and wife of **THOKCHOM DOREN** of Kwakeithel Nganapithong Mapal, Akoijam Colony, Imphal West, Manipur, has been awarded Doctor of Philosophy in Environmental Science by Mizoram University on 9th January, 2020 for her thesis entitled ***"Impact of Soil Amendment with Organic Wastes on Growth of Vegetable Crops in Imphal West District, Manipur"*** under the guidance of **Dr. ANGOM SARJUBALA DEVI,** Associate Professor, Department of Environmental Science, Mizoram University and Dr. Elangbam Jadu Singh, Principal, D.M. College of Science, Imphal as the Joint Supervisor.

She has attended various Seminars, Workshops and Conferences in both National and International levels and also published research papers in journals and books too.

At present she is a teaching faculty in the Department of Environmental Science, D.M. College of Science, Imphal.

**Family Members**

HL-P/5963/17

TEMPLE OF LEARNING

Kha Naorem Leikai, Canchipur, Imphal, Manipur.

ADMISSION OPEN 2020

PRE- NURSERY TO CLASS IX

LIMITED SEATS: FIRST COME FIRST ADMISSION

Admission form available at School Office during office hour ; 10:00 a.m. To 3:00 p.m.

*CONTACT DETAILS: 9612346366 ,9436038156, 7005155523

www.templeoflearning-edu.org / email: tolcanchi@gmail.com

HL-P/5909/11-17jan.

মমি ৱারী

## নিংথমথা, জুকো ভেল্লি

পাওনম বিরজীৎ





Paonam Birjit is a Mountaineer